# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-12-2025)**

**খৃষ্টমাস (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু খৃষ্টমাস কুম্হৈ হরাউ তয়ামা পাঙথোক্লি।

মপুং ওইনা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা খুন্দাবা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা অহিং চুপ্পা প্রভু যিসু খৃষ্টবু তরামা ওকপা অমসুং থাগৎপগী ঈশৈ শক্তুনা কুম্হৈ অসি পাঙথোকপা হৌখি।

মনিপুরগী অহানবা খৃষ্টান চর্চ অমা ওইরিবা উখ্রুল জিলাগী ফুংয়ো বেপটিষ্ট চর্চতা গোদস লব হায়বা ৰাখল্লোনদা খৃষ্টমাসকী থৌরম পাঙথোকখি।

খৃষ্টমাস কুম্হৈগা মরী লৈননা লুচিংবা কয়ানা মখা তানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী পাউজেলদা হায়-প্রভু যিশু খৃষ্টনা নুংশিবা, ঙাকপীবা অমসুং ওইজবা থাদোকপগী ৰাখল্লোন হেন্না ফাওহন্দুনা কুম্হৈ অসি হরাও নুংঙাইনা পাঙথোকপা ওইরসনু। কুম্হৈ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা পুমমক্কী মরক্তা অমনা অমবু ইকায় খুমবা, নুংশিনবা, শান্তি অমসুং চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু।

হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমার-এম.এল.এগী পাউজেল অমদা হায়-লমদম অসিদা লৈরিবা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগী মফমদা তংদু লৈতাবা, নুংঙাই য়াইফবা, শান্তি লৈবা, অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা চাউখৎপা পুরকপা ঙম্বা মনিপুর অমা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীজরি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** অফবা লৈঙাক সাসনগী নুমিৎ-গুদ গভরনান্স ডে ঙসি লৈবাক্কী মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকগনি।

লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা অতল বিহারি ভাজপায়গী

মপোক নুমিৎতা কুমজা ২০১৪ দগী হৌদুনা গুদ গভরনান্স ডেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখি। পালন থৌরম অসিগী মাংওইননা লৈবাক অসিগী মফম শিনবা থুংবদা সব-দিভিজন অমসুং জিলাগী থাক্তা গুদ গরভান্সকী চয়োল পালন পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী পঞ্চায়েট রিছোর্স সেন্টর হোলদা ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা শিনদুনা চয়োল পালন অসিগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা কেম্প অমা পাঙথোকখি। কেম্প অদুগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী স্তোলশিং হাংদুনা মীয়ামগী তঙাইফদবা সার্ভিসশিং ফংহনখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা বিষ্ণুপুরগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা হায়-পালন থৌরম অসি মীয়ামদা লৈঙাক সাসনগী মহাউ হেন্না ফংহনবা ঙমবা খোঙথাং অমনি। মীয়ামসু অসিগুম্বা কেম্পশিংগী খুদোংচাবা লৌদুনা মখোয়না থেংনরম্বা সমস্যাশিং কোকহনবদা মতেং পাংনবসু দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা ফোংদোকখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা লেপত্রি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চনবা থাংজিং চিংগী চীংখোংদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফুট ৮ লোম শাংবা পম্পী অমা, পম্পীগী মরু ১২, মেগজিন য়াওনা শেমদোক্লবা এম.পি.এস. রাইফল অমা, মসিগী মরু অমা অমসুং কন্ত্রি মেট সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা ফাগৎলে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লম্বাল অমসুং হাউরং কৈরেলগী মরক্তা লৈবা মফম অমদগী সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অহুম, বোল্ট এক্সন রাইফল অহুম, ডব্লিয়ু.পি. গ্রেনেদ তরেৎ, ঐচ.ই. গ্রেনেদ অমা, মিণি

ফেয়ার কারটিজ ২৩, টয়েল্ভ বোর কারটিজ ৮, তোঙান তোঙানবা নোংমৈ মরু ২৮ অমসুং বাউফেং রেদিও অনি সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎলে।

ককচিং জিলাগী মনুং চনবা সুগ্ পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা কোরসান্তবী এরিয়াদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী ফাইব হন্দ্রেদ এম.এমগী বিয়ার বোটল ৮৪, য়ুঙাং অমসুং য়ুঙৌ পুন্না বোটল ১৯২ ফাগৎলে।

অমরোমদা, জিরিবামগী চন্দ্রপুর এরিয়াদগী মীওই অমা কিলোগ্রাম ১৮ গ্রাম তরুকলোমগী ওইগদবা ডব্লিয়ু.ৱাই. টেব্লেটশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎলে। পোৎলমশিং অদুবু হাপ্তুনা পুরকপা ত্রক অমসু ফারে। মীওই অদু অসামগী লালপানিদগীনি হায়রি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা তমেংলোং জিলাগী লেমতা ভিলেজতা নৌনা শাবা  ফুটবোল গ্রাউন্দ অমা ঙরাং মফম অদুদা খুঞ্জাশিংদা শিন্নখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-ফুটবোল গ্রাডন্দ অসিনা মফম অদুগী হৌরক্লিবা নহারোল কয়া শান্ন খোৎনবগী লমদা হেন্না পুকিং চিংশিনদুনা অফবা শান্নরোইশিং শেমগৎপদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**অতল ঃ** লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-অতল বিহারি ভাজপায়গী পুন্সি অমসুং ৱাখল্লোনবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি উত্তর প্রদেসকী লক্ষনৌদা রাষ্ট্র প্রেনা স্থাল শঙ্গাগনি।

অতল বিহারি ভাজপায়গী ১০১ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা শ্রী মোদিনা লক্ষনৌদা চৎকদবনি। লম একর ৬৫ রোম চাউবা মফম অমদা লুপা কোতি ২৩০ চংনা রাষ্ট্র প্রেনা স্থাল অসি শেমগৎখিবনি। লৈঙাক সাসন অমসুং কালা সংস্কৃত্তিগা মরী লৈনবা ৱাখল্লোনশিং মায়ওন চুমদুনা পুনবগী ৱাখল্লোনদা কমপ্লেক্স অসি শেমগৎখিবনি।

**মিজোরামঃ** মিজোরামগী রাজ্যপাল-বিজয় কুমার সিংহনা আইজোলগী জোখাউশাংদা ফুদ ১০৮ ৱাংবা জাতিগী ফিরাল অমা পাইহনখ্রে।

অপুনবগী শক্তম অমসুং জাতি অসিগী চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা ৱাংলবা ফিরাল পাইহনবগী থৌরম অদুদা মিজোরামগী হোম মিনিস্তর-কে. সপদাঙা অমসুং আই.জি.এ.আর (ইষ্ট) মেজর জেনরেল-সুরেস ভামবু শরুক য়াখি। ফিরাল অসিনা মিজোরাম রাজ্যগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা জাতিগী ফিরাল ওইরে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সেরৌগী আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হনজিনবগী মতাংগী পাউ, খৃষ্ট মাসকী য়াইফ পাউজেলশিং অমদি মনিপুরবু গভরমেন্টকী ষ্টাফ খরগী এস.টি. সার্টিফিকেটকী মতাংদা ফোংবা পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-সেরৌগী আই.দি.পিশিং অমুক্কসু হনজিনখ্রে, সেক্যুরিতি ফোর্সনা হুন্দোক্লক্লগা চৎখিনবা হোৎনরকপদা চরাংনখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরি। আই.দি.পি. রিলিফ কেম্পতা মহৈরোইশিংগী রিদিং রুম লৈহন্নিংলি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলে।

ইন্দিয়াগী অহানবা এর্ন্টি টেরর পোলিসি শেম্বা লোইশিল্লক্লে। দিসেম্বর ২৬ অমসুং ২৭ তা দিল্লিদা এন.আই.এনা এর্ন্টি টেরর কনফরেন্স পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অসি হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

দি.এম.য়ুগী নোংপোক থংবা চেকপলদি নুঙ-লৈঙোই য়োনফম ওন্থোক্লে, আই.এম.সিদা হঞ্জিন হঞ্জিন ৱাকৎলবসু থৱা শাদ্রে হায়বা পাউ অসিসু পাউ চে

অসিদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইমোইনু ঙা কুম্মে পাঙথোকবগী থৌরাং লোয়খ্রে। তোম্বা এন্দ সঙ্গনা শরেং কে.জি. লিশিং অনি পুথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অসি পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলে। পাউ চে অসিদা স্মোক পোর্ক য়ামা তাংনসু লৈনৈ, হাউনসু চানৈ, হকচাংদদি কমদৌবা হায়বা এক্সক্লুসিপ রিপোর্ট অমা এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

এস.টিগী আশাবা সার্টিফিকেট পায়দুনা মীওই কয়া লৈঙাক্কী থবক চংল্লস্লে, দিপার্টমেন্ট খরনা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকলশিং খোঙ্গোইনরব্রা হায়বা পাউ অসি সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরে। পাউ চে অসিদা মোবাইল ফোন শিজিন্নবনা লোল থোকপা থিন্থবা অঙাংগী মশিং হেনগৎলক্লি হায়বা এক্সক্লুসিপ রিপোর্ট অসিসু এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-কুম অমগী ইমোইনু ইমাগী ইরাৎ থৌনিগীদমক শরেং কে.জি. অমদা লুপা লিশিং ১,১০০ দা ফংহল্লগনি হায়বা-সোইবম সুরচন্দ্রগী ৱাফম এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউচে অসিদা ভেলি ব্রিজ শাবা লোইদ্রিঙৈ শেল লৌথোকখ্রগা থবক লোয়শিনদ্রে, গভর্নরদা ৱাকৎলগনি হায়বা কমিতিগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সি.এস.ওশিংনা আই.দি.পিশিংদা খৃষ্টমাস মাংওইননা তেংবাং পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবগী পাউ-পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলে।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদনা-জিরিবামদা ডব্লিয়ু.ৱাই. টেব্লেট লাখ অমা লিশিং ৬০ ফাখিবগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা অফবা লৈঙাক সাসন পাঙথোকখিবগী পাউ মনিপুর মেলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।